# রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী পার্ফোমেন্স -১

## লৈশাংথেম অজিৎ

*ব্রাজিলগী* সহর রিও দি জানৈরোদা ওগষ্ট ৫ দগী ২১ফাওবা পাঙথোকখিবা ৩১ শুবা সম্মর ওলেম্পিক গেমসতা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী শান্নরোয়শিংনা সনাগী মেদল ৪৬, লুপাগী ৩৭ অমসুং শেঞ্জেংগী ৩৮ ফংদুনা মালেমগী শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিংদা খ্বাইদগী মাঙজিল থাবা লৈবাক অমা ওইরি হায়বা ময়েক শেংনা তাকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মথংদা গ্রেট ব্রিটেননা সনাগী মেদল ২৭, লুপাগী ২৩, শেঞ্জেংগী ১৭ ফংদুনা চাইনাদগী সনাগী মেদল ৩ খক হেন্না ফংখি। হৌখিবা লন্দন গেমস ২০১২ দা চাইনানা সনাগী মেদল ৩৮, লুপাগী ৩৯, সেঞ্জেংগী ২১ ফংদুনা পূন্না মেদল ৮৮ ফংদুনা য়ু এস এগী হেক মথংদা লৈরবসু চহী অসিগী গেমসতা সনাগী ২৬, লুপাগী ১৮, সেঞ্জেংগী ২৬ খক ফংদুনা মেদল ফংবগী চাং হন্থরক্তুনা অহুমশুবদা লৈখি।

মফম অসিদা টিম ২০৭ তগী লাকপা শান্নরোয়শিংনা মশান্না ২৮ গী থৌরম ৩০৬ তা শরুক য়াদুনা মমা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরক্নবা হোৎনখি। থৌরমশিং অসিগী মনুংদা রগবি সভেন (শান্নরোয় তরেৎনা শাবা টিম) অমসুং গোল্ফ ওলেম্পিক্তা অমুক হন্না অনৌবা ওইনা হাপচিল্লকখি। রগবি কুমজা ১৯০০ দা পাঙথোকখিবা পেরিস গেমসদগী ওলেম্পিক্কী মশান্না অমা ওইনা য়াওহনখিদুনা কুমজা ১৯০৮ লন্দন, ১৯২০ অনর্তপ অমদি ১৯২৪ গী পেরিস গেমসদা মরু ওইবা মশান্না অমা ওইহল্লম্লগা ওলেম্পিক্তগী লৌথোকখি। চহী ৯২ গী মতুংদা ওলেম্পিক্তা অমুক হল্লকহনখিবা মশান্না অসি ব্রিটেন কম্মনৱেলথ লৈবাকশিংদা য়াম্না পাম্মনা শান্নে। মরম অদুনা পেসিফিক (মহাসাগর) ওসিন্দা লৈবা অপীকপা ঈথৎ মচা ইন্দিয়া মচাশিংগা ফিজি মচাশিংগনা খূৎলিংদুনা পানবা ফিজিনা গ্রেট ব্রিটেনবু ফাইনেলদা পাঞ্জল ৪৩-৭ তা মায়থীবা পীদুনা লৈবাক অসিগী অহানবা ওলেম্পিক্কী মেদল ওইখি। ওলেম্পিক্কী মেচ অমদা অসুক থিনা মায়থীবা পীবা মমাঙদা পাক য়াওখিদ্রি। কুমজা ১৯৯০ (পেরিস) অমসুং ১৯০৪ (সেইন্ট লুই) ওলেম্পিক্কী মতুং তারকপদা গোল্ফ মশান্না ওলেম্পিক্তগী তোকখি। চহী অসিদা অমুক রিওদা মশান্না অসি য়াওহনখিবদা নুপাগীদা গ্রেট ব্রিটেন্না অমদি নুপীগীদা খা কোরিয়ানা মায় পাকখি।

রিও দি জানৈরো, মালেমগী মখা থংবা শরুক্তা হায়বদি ইক্বেদরগী মখারোমদা লৈবা মরম্না ওগষ্ট থাদদি নিংথম থা ওইরি অদুবু মতৌ করম্না মফম অসিদা সম্মর ওলেম্পিক গেমস পাঙথোক্লিবনো হায়বা ৱাফম কয়ামরুম থম্মরক্লি। খা থংবা মালেমগী শরুক্তা নিংথম থা ওইজরবসু রিও দি জানৈরোগী ৱেদর, ঈশিং নুংশিৎ অসি চহী চুপ্পা মান্নরপ তৌই। ওগষ্ট থাদনা খরদুম শাবগী চাং হেনগৎলি। নুমিদাংদা ১৯ দিগ্রি সেলসিয়স, নুংথিলদা ২৬ দিগ্রি সেলসিয়স শাই, নোং পাক তাদে, টেম্পেরেচর ৱাংলপ লৈ। মরম অদুনা নিংথম থা ওইরবসু অইংবগী চাং ৱাংদবা মরম্না সহর অসিদা গেমস অসি পাঙথোক্নবা আই ও সিনা ৱারেপ তাখি। সমুদ্র মপান্দা লৈবা সহর রিওগুম্বদদি নিংথম থাদা ইংবগী চাং ৱাংদে, কালেন থাদা শাবগী চাং ৱাংদে ইক্বেবল ক্লাইমেটকী কান্নবা ফংই। লৈবাক ২০৬ তগী রিফ্যুজি টিম অমগা শান্নরোয় ১১৩০৩ না মপাঙ্গল মথৌনা পুথোক্তুনা শামান লেংমান্নবগা লম্বা তৌনখিবা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী কুম্মৈ অদুদা লৈবাক অসিগী শান্নরোয় ১১৭ না শাবা টিম অমনা ওলেম্পিক ময়াই চনশিল্লক্লবা ফাওবা মেদল অমত্তা লৌবা ঙমখিদবদগী ত্রিপুরাগী দিপা কর্মাকরনা জিম্নাষ্টিক্কী ভোলটিংগী ইন্দিভিজুয়েল থৌরমদা ফাইনেলগী খ্বাইদগী অফবা নিপাল খনগৎপদা য়াওরক্তুনা খ্বাইদগী লুবা থৌরম 'প্রোদুনোভা' মপূং ফানা পাঙথোকপদগী মালেমগী মীয়াম্না মহাকপু থাগৎনখি। তৌইগুম্বসুং মরিশুবা পোজিশন তাহৌখি। ওলেম্পিক লোইগদবা নুমিৎ খরনিদং ঙাইরবদা (ওগষ্ট ১৮) হরিয়ানাগী কিলোগ্রাম ৫৮ লুম্বী সক্সি মালিক্না নুপীগী রেষ্টলিংগী প্লে ওফ বাউটতা কিরগিষ্টানগী অইসুলু তায়নিবেকোভাবু ৮-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংদুনা লৈবাক মীয়ামগী নীংবা থুংহনখি।



লৈবাক অসিগী নুপীশিংগী মরক্তা ওলেম্পিক্কী মেদল অহানবা ওইনা ফংখিবী অসি লাইট হেভিৱেত্তা কুমজা ২০০০ গী সিদনিদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্কী অরুম্বা থাঙ্গৎপদা অহুমশুবা তাখিবা মালেশ্বরি কারনামনি। মহাক কুমজা ১৯৯৪ অমসুং ১৯৯৫ দা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখি। মথং তারকপদা সাইনা নেহৱালনা নুপীগী বেদমিন্টন শিঙ্গলসতা অমসুং মেরি কোমনা বোক্সিং থিন্নবদা লন্দন ওলেম্পিক্তা (২০১২) অহুমশুবা মনা ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। নুপী অহুম অসিগা লোয়ননা হরিয়ানাগী সক্সি মালিক অমদি পি ভি সিন্ধুগা থারগা লৈবাক অসিগী ওইনা ওলেম্পিক্কী মেদল ফংবী নুপী মঙাদি শুখি। মঙা অসিগী মনুংদা রিওগী বেদমিন্টন শিঙ্গলদা অনীশুবা তাখিবী হায়দ্রবাদকী পি ভি সিন্ধু লৈবাক অসিগী ওইনদি ওলেম্পিক্তা লুপাগী মেদল ফংবী অহানবা নুপীনি। মহাক্না নুপীগী বেদমিন্টন শিঙ্গল ফাইনেলদা ৱর্ল্ডনম্বর ৱান স্পেনগী কেরোলিনা মেরিনগা শান্নবদা অহানবা সেট অদু মহাক্না থোইখ্রবসু মমৈদা কেরোলিনা মেরিন্না মহাকপু লাকচখি।

মণিপুরগী সুশিলা চনুনা লুচিংবী ইন্দিয়াগী নুপীগী হোকি টিম অহানবা ওইনা জপানগা শান্নবদা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা থোইবা ঙম্নখিদে অদুবু পুল বিগী মতুং তারকপা মেচশিংদা য়ু এস এনা পাঞ্জল ৩, গ্রেট ব্রিটেন্নসু ৩ অমদি অকোনবদা অর্জেন্টিনানা ৬-১ দা মথং মথং মায়থীবা পীদুনা টিম অসি গ্রুপ কাবা ঙমখিদে। তৌইগুম্বসুং ওলেম্পিক্কী নিপাল্লক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা নিপাগী হোকি টিম্না ক্বার্টর ফাইনেলদগী হেন্না লানশিনবা ঙমখিদে, বেলজিয়ম্না লৈবাক অসিবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থীবা পীখি। ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমদি হান্নগী ওলেম্পিক চেম্পিয়ন অভিনাভ বিন্দ্রনচিংবা মালেমদা মশক নাইরবা নুপা মাপন, নুপী অনীনা শরুক য়াখিবা শুটিং কম্পিটিসন্দা মেদল অমত্তা ফংবা ঙমহৌদবা অসি লায়বক থিবনি।

মীরৈবাক্তগী কোচশিং কৌথোক্তুনা অমদি অমেরিকা অমদি য়ুরোপকী ত্রেনিং অমদি কোচিং তৌফমদা তোপ ওলেম্পিক পোদিয়ম হায়বা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌরাং অদুগী মখাদা শেল কয়া অমুক থাদদুনা কোচিং পীরিবা লৈবাক অসিগী লমজেল্লোইশিং, দিসক্স লংবদা শরুক য়ারিবশিং অমদি চোঙবগী থৌরমশিংদা শরুক য়াবশিংসু মশক নাইবা মফম অমত্তা কনবা ঙমদে, ক্বালিফাইয়িং রাউন্দা লৈহৌবনা অয়াম্বা ওই, নুপীগী মিটর ৩০০০ গী ষ্টিপল চেজদা তরাশুবা তাখিবী মহারাষ্ট্রগী ললিতা বাবর নত্তনা অতৈ এথলেটশিংদি মমিংদগী ওইনা ইন্দিয়াদা ক্বালিফাইয়িং ষ্টেন্দর্দ অমা য়াম্না ৱাংনা য়ৌবা ঙম্লগা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিনবা ওইনা তৌই। নুপা ১৭ অমদি নুপী ১৭ না পূন্না এথলেট ৩৪ না শাবা এথলেটিক টিম অসিনা ইন্দিয়া টিমগী খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা শান্নরোয়না শরুক য়াবা দিসিপ্লিননি।

ওলেম্পিক অসিদা মীওইবনা মতম কুইনা তুংদা নীংশিংনহৌরগদবা মপাঙ্গল মথৌনা পুথোক্তুনা ওলেম্পিজম ঈহৌ শাগৎখিবা অমদি মালেম পূম্বনা মখোয়গী মতিক মগুন শোন্নরিবা শান্নরোয়দি জমাইকাগী লমজেল মতেক চেনবা উসেন বোল্ট অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী মাইকেল ফেলপসনি। উসেন বোল্টনা ওলেম্পিক অসিদা মিটর ১০০, মিটর ২০০ অমসুং ৪x১০০ মিটরগী রিলেদা মকোক ওইদুনা সনাগী মেদল অহুম ফংখি। মিটর ১০০ বু সেকেন্দ ৯.৫৮ দা, মিটর ২০০ গী লমজেলবু সেকেন্দ ১৯.১৯ দা মালেমগী অনৌবা রেকোর্দ কুমজা ২০০৯ দা বার্লিন্দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা থমখিবা চহী ৩০ শুরবা এথলেট অসিনা থৌরম অহুম্মক অসি কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক অমসুং কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্তসু মকোক ওইদুনা পূন্না ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল ৯ ফংদুনা মালেমগী লমজেল মতেক চেনবা অমনা তৌঙমদ্রবা মথৌ অমা পাঙথোকখি। মিটর ১০০ অমসুং মিটর ২০০ গী লমজেল অনীমক্তা পূন্না মালেমগী রেকোর্দ পায়বা ঙম্বা অসি উসেন বোল্ট মতোমতনি।

গেমস অসিদা মহাক্কুম্না শিংথানিঙাই ওইবা শান্নরোয়দি অমেরিকাগী ইরোইবা হৈবা মাইকেল ফেলপসনি। য়ু এস এগী মেরিলেন্দগী বালতিমোর কৌবা মফমদা লৈবা ফেলপসনা কুমজা ২০০০ দা সিদনিদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবদা মেদল অমত্তা ফংবা ঙমখিদে। মতম অদুদা চহী ১৫ শুরবা ফেলপসনা মিটর ২০০ গী বট্টরফ্লাইদা মঙাশুবা তাখি। মথংগী ২০০৪ গী এথেন্স ওলেম্পিক্তা মহাক্না থৌরম তরুক্তা মকোক ওইখি। থৌরম অনীদা অহুমশুবা তাখি। বৈজিংগী ২০০৮ তা পাঙথোকখিবা গেমসদা মহাক্না সনাগী মেদল ৮ অমদি লন্দন্দা (২০১২) সনাগী মেদল ৪, লুপাগী ২ ফংখিবগা লোয়ননা রিও (২০১৬) দা মিটর ২০০ গী বট্টরফ্লাই, মিটর ২০০ মেদলেয়, ৪x১০০ মিটরগী ফ্রিষ্টাইল রিলে, ৪x২০০ মিটরগী ফ্রিষ্টাইল অমসুং মিটর ৪x১০০ গী মেদলেয়দা সনাগী মেদল, মিটর ১০০ গী বট্টরফ্লাইদা লুপাগী অমা ফংদুনা পূন্না ওলেম্পিক মরি অসিদগী সনাগী মেদল ২৩, লুপাগী ৩, সেঞ্জেংগী ২ ফংদুনা ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল খ্বাইদগী ফংবা শান্নরোয় ওইরি। উসেন বোল্ট অমসুং মাইকেল ফ্লেপকী মমিং ওলেম্পিক্কী পুৱারীদা সনাগী মচুনা ইদুনা অদুমক লৈহৌরগনি।

# কিশোর থাপা (দিসেম্বর ৯,১৯৪০-ওগষ্ট ১৫, ২০১৬)

**— ভৱানী অধিকারী —**

*কাংপোকপী* কেন্দ্রদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন অহুম্লক কাদুনা মণিপুর বীধান সভাদা মীহুৎ ওইরম্লবা কিশোর থাপা হৌখিবা ওগষ্ট তাং ১৫ দা মশাগী লৈফম মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ৭৬ শুখ্রবা কিশোর থাপা কুমজা ১৯৪০ গী দিসেম্বর তাং ৯ দা মতমদুগী মরিশুবা আসাম রাইফলস কংলা মনুংদা পোকই। অপোকপা মোহন সিংহ থাপা অমসুং অপোকপী সুভদ্রা থাপাগী মচা তরুক্কী মনুংদা মহাক্না খ্বাইদগী অহলনি। ইম্ফালগী রাজা ডুম্বর সিংহ হায়স্কুলদগী মহাক কুমজা ১৯৫৯ দা মেত্রিক পাস তৌখি। মহাক কুমজা ১৯৬৬ দা গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিদগী গ্রেজুয়েসন লোইখি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী খুন্নাইগী থবক ইনখাংদা থৱায় য়াম্না য়াওখি। মহাক লাইরিক মখা তম্বগী তাঞ্জা ফংলমদে। খুন্নাই ময়ামগী মীওই চান্ন-চিন্ননা লৈবা অমসুং নেপালি হায়বা খুন্নাইসিগী শক্তম মীয়ামদা তাকপা ঙম্বা হায়বা ৱাখল্লোন মতম পূম্বদা মঙোন্দা অদুম চেল্লি। মহাক্কী পুন্সিদা তৌবা য়াবা থবক মহাক্না ফজনা লম্বী য়াত্তুনা তৌবা হৌরম্মী। ঐনা ঐগীদমক্তা করিনো অমা তৌবদা অতোপ্পা মীওই নৎত্রগা ফুরুপ্পু শোকপা য়াবা থবক তৌরোইদবনি। মসিনি মহাক্কী অচেৎপা থাজবা। মহাক সন্মান প্রধান অমসুং মনমায়া প্রধানগী মচানুপী য়াইমা মীরা প্রধানগা য়ুম্বান লম্বীদা খোঙদাখি। য়ুম্বান লম্বীদগী মপারী-মমোম তরুক ফংজখি। হৌগৎলক্লিবা নহাশিংবু তুংগী খন্দুনা চুম্না চৎকদবনি হায়না মহাক্না তৎতনা হায়বিরম্মী।

খুন্নাইসিগী মরমদা মহাক ৱাখল য়াম্না খনবা মীশকনি। মহাক য়াম্না নহা ওইরকপা মতমদা ওল মণিপুর নেপালী য়ুৱা সঙ্ঘগী প্রসিদেন্টগী থৌ পুবিরম্মী। মশীং লিক্না লৈবা কাঙলূপনা মশীং য়াম্লবা কাঙলূপকা তোৎন-তিন্ননা লৈবতনা ময়াম য়াইফরনি হায়বা মহাক্কী খোল্লাউনি। কালাপহারদা মহৈ তম্ননবা মহৈশঙ লৈরমদে। মতমদুগী অহল-লমনগা লোয়ননা থাপানা কালাপহার গোর্খা হায়স্কুল লিংখৎনবা য়াম্না চাউরবা থৌদাং লৌই। স্কুলদুগী সেক্রেটরি মতম খরা পুবীদুনা কোন্না হেদ মাষ্টর ওইনা থৌসু পুবগা লোয়ননা স্কুলদু হিংহল্লগা অৱাংবা থাক্তা পুরক্লবা হোৎনবনা মহাক্কী মঙলাননি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা মশা নানবা, ৱা কয়া য়াম্না ঙাঙদবা, লাইরিক ফজনা তাকপা কিশোর মাষ্টরজী স্কুলদুদা থেংনরকখিবনি। ঙসিসু ওজা কিশোর নৎত্রগা কিশোর মাষ্টরজী হায়বা কাঙবু ময়াম মণিপুরদা থেংনরক্কনি।

নেপালি কাঙবুগী মণিপুরগী এপেক্স বোদি মণিপুর গোর্খা সুধারক সঙ্ঘ কুমজা ১৯৫১ দা লিংখৎখি। থাপা মতম লৈবা খিবিক্তা সঙ্ঘগী মরমদা ৱাখল খল্লি। ঐখোয় অমতা ওইগদবনি। ইপা-ইপুনা লিংখৎপীরম্বা লূপ অসি ফজনা থমগদবনি হায়না মহাক্না মশাগী অঙম্বা মতেং অদুম পীবিরম্মী। কুমজা ১৯৬৭ দা মহাক লূপ অদুগী সেক্রেটরি ওইরমখি। নেপালি কাঙলূপকী অৱাবা-নুংঙাইবা, থৌদোক ৱাথোক ময়াম সঙ্ঘনা পান্বে ওইদুনা শন্দাইনবা হোৎনৈ। মহাক মথং মথং মসিগী প্রসিদেন্টগী থৌ অমুক কুইনা পুবিরম্মী।



কিশোর থাপা

লৈঙাক্কী পান্বেনা খুন্নাই অমা চাওখৎপা ঙমগনি হায়বগী ৱাখলনা মহাক্না পোলিটিক্সরোমদা খোঙদাবা হৌরম্মী। মহাক কুমজা ১৯৭৩ দা সদর হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মেম্বর ওইনা কাখি। মথং চহী কুমজা ১৯৭৪ দনা মহাক ফম অদুদগী রিজাইন তৌরবা মতুং কাংপোকপী কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অহানবা মেম্বর ওইনা খল্লকখি। মীচম মীয়ামগা নক্লবা মরী থম্বা থাপানা মথংগী কুমজা ১৯৮০ গী ইলেক্সন্দা অমুক্কা হেন্না ভোট ফংদুনা মায় পাকখি। মহাক্না কালাপহার প্রসাই, কৌব্রুলৈখানচিংবা খুঙ্গংশিংদা কোপরেটিভ সোসাইটি কয়া লিংখৎপীরম্মী। এদ্যুকেসন এদভাইজরি বোর্দ, নোর্থ মণিপুরগী মহাক য়াম্না মরু ওইবা মেম্বর ওইবিরম্মী। অনীরক কারকপগী মতমদনা (এম এস আর টি সি) গী চিয়রমেন ওইবিরম্মী। মহাক্না অহুমশুবা টর্ম কুমজা ১৯৮৫ দসু ভোট ফজনা ফংদুনা অমুক্কা হন্না কাখি।

থাপানা ঐগী কাঙলূপ, ঐগী ফুরুপ হায়বা ৱাখলদা ঙাক্তা থবক তৌদে। ময়াম্না করি হায়রক্নি হায়বগী ৱাখল মহাক্না মতম পূম্বদা শাগোন্ননা চৎলি। ঐখোয় খুন্নাইগী অৱাবা তারবদা পূক্নিং ফাথনা লৈবনা মদুগী মায় পাকপা অচুম্বা লম্বীনি হায়না তাকপীরমই। মসিনা নহা কয়া মহাকপু য়াদবা লৈঙাক্তা য়াওনিংবা খরা তোঙান্না চৎপা হোৎনরক্তবা নত্তে। মশীং লিকপা কাঙবুনি হায়না ময়াম্না ঐখোয়গী খোল্লাও তাদ্রে হায়না ৱাকৎপা লাকপা ময়াম্বু মহাক্না তৎতনা থেন্বীখি। লৈঙাক্তা পীকপা চাউবা খায়নদে। ঐখোয়না লান্না ৱাখল খনবা য়াদে হায়না মতম পূম্বদা মহাক্না অমত্তা ওইবগী ৱাখল শন্দোকখিবনি।

মহাক্না মণিপুর গোর্খা সুধারক সঙ্ঘ চেৎনা কোনশিল্লদুনা মহাক্কী অরোইবা মতম ফাওবা পুদুনা চৎখি। মহাক্না লৈখিদ্রবা ফাও মহাক মদুগী এদভাইজর ওইখি। মশাগী থবক্কী, ফমগী নাপল হায়বা মঙোন্দা শুকচঙ চঙদে। মহাক্না এম এল এ ওইরকপদা ঐখোয় দি এম কোলেজ কাই। ঐখোয় মহাক্কী ক্বার্টরদা হেক-হেক চৎলি। মহাক্না ঐখোয়বু মতম পূম্বদা ৱেলকম তৌবিখি। নেপালি লোল মতমদুদা সেদ্যুলদা চল্লমদ্রে। মণিপুরদসু নেপালি লোনগী ঈহৌ য়াম্না কল্লম্মী। দার্জলিংদগী লোলগী অখণ্ড-অহৈ কয়া লাকপদা লৈফম-চাফম লোইনা মহাক্না শিনবিরমই। নোংমা কংলাতোম্বীদা মীয়াম তিনফমদা দি এম কোলেজগী ওজা আর কে রাই, কাংপোকপী কেন্দ্রগী মীহুৎ কিশোর থাপা, দার্জলিংদগী লেংবীরকপা লিংগ্যুইষ্টিক প্রেম কুমার আলে, মণিপুরী লোলগী থৌপুরেন্বী আশারানি রাই ময়ামগা ঐখোয়না মনা ফংলকপদো ঙসি ঐনা মিৎ মাংদা শং-শং উরকই।

মথক্তা পঞ্জখ্রে গোর্খা সুধারক সঙ্ঘ মহাক্না থাদোক্তে হায়না। হৌখিবা চহী ২০১৫ দা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহল্লু হায়না মীয়ামগী খোল্লাও লাউখি। বন্দ, কার্ফিয়ু, সিট-ইন-প্রোটেষ্ট, রেলি, মৈরা রেল্লি ময়ামগী মরক্তা কাঙলূপ কয়াগী মীওইশিং ইপা পাখৎনখি। নেপালি কাঙবুসু ঐখোয়সি করি ওইরক্দৌবনো হায়বগী ৱাখলনা য়াম্না মীপাইনখি। মসিগী মথক্তা তোকঙা কয়া কয়ানা অমগা অমগা ৱাহং হংনরি। মমৈথংদা কংলাতোম্বীদা মীয়ামগী অচৌবা মীফম অমা ফমই। মদুদা 'গোর্খা ষ্টেটস দিমান্দ কম্মিটি' মণিপুর সুধারক সঙ্ঘগা পুল্লপ থবক তৌনবা অমা শেমখি। কিশোর থাপাবুনা মদুগী প্রসিদেন্ট খনখি। ময়াম্না কনাগা উনবা, কনাগা ৱারী শানবা, লৈঙাক্কবু উনগদরা, ঈহৌ কাঙবুবু উনগদ্রা হায়না তোঙান তোঙানবা ৱাখল কয়া খনখি। মত ময়াম পীনখি। মীয়ামগী ৱা তারবা মতুং কিশোর থাপানা হায়রকপদো মতমদুদদি অঙকপা ৱা ওইনা ময়ামদা থোকই। মী খরনা অহলসি পাংদে, ফাউ হায়নরম্মী। কিশোর থাপাগী ৱাহৈ -

'ঐগী ইখ্বোল - শম্বল খাগে হায়বদা শম্বল মনুংগী মীনা পাখৎফম থোক্তে। ঐখোয়দি ময়ামনা য়েংবদা মওং অমদা উরকপা য়াই। অদুবু ঐখোয় চে-চাং ৱাৎপা নত্তে। হয়েং আইন শেম্বদা আইনগী মনুংদা ঐখোয় লোয়না চল্লনি। মমাঙদা ঐনা এম এল এ ওইরিঙৈদসু ঐখোয় কাঙলূপ অকক্লনা মফম কয়াদা চিংনদুনা ভেরিফাই কয়ারক হন্না তৌখ্রবনি। ঐখোয়গী চমজবা পুন্সি, মীওই কয়ানা ঐখোয়বু লান্নসু উই। অদুবু মদু নত্তে। মীয়াম্না তোকঙা থাজবিগনু। তঙাইফদ্রবদি ঐখোয়না ময়াম্বু উনগনি। ঐনা মাঙজিন থারগে। ঐনা শম্বল মনুং হায়বদি ঐখোয় চে-চাং ৱাত্তে হায়বনি'।

ময়াম য়াবা য়াদবা ৱাখলদা ময়ূম ময়ূম হন্নরে। অসুম্না হৌজিক য়ানবা রোমদা লাকপদা মহাকসু হরাউরম্মীবনি। অদুবু ঐখোয়গী ইরক্তগী মহাক ঐখোয় পূম্ববু থাদোক্তুনা চৎখ্রে। ঐখোয় য়ূমগী য়ূম্বীরেল তুখ্রে। মতমগী ঈচেল কনানসু থিংবা ঙমদ্রবনি। কিশোর থাপানা মপু মহাক্কী মফমদা ঈংনা চিক্না লৈবা ওইরসনু।

# প্রকিতিনসু-খূৎশেম্নসু ঃ গ্রেট ফেমিনস গ্রেট কিল্লরস


**— দোরেন নাওরেম —**

*ঙসিগী* থৌদোক্না হয়েংগী পুৱারী ওইরকই। অদুগুম্বা পুৱারীনা মাগী লমায়শিং ফাক্তোক্লুবদা উৎলকপা শক্তম, থাদোরকপা মনমসি মখল মথেলনি। নুংশিনবগী, শেমগৎ শাগৎলম্বগী, লাইনীং-লাইশোনগী, সংস্কৃতিগী, চাওখৎ থৌরাংগী। অমুকসু য়েংথিনবগী, মাঙহন-তাকহনবগী, লানগী, কাঙলুপ মশেল হাৎনবগী লোইনমক ইশু শুই। মরক্তুদা য়াওরম্মী পি তাদনা কপ্পগী ৱারী অমা। কপ্পদা পি তাদ্রবদি মদু কপ্পনি হায়গদ্রা? পিদি থম্মোয়দা খম থেংনা হরাউবা-নুঙাইবা অনীমক্তা শিন্থরিবনি। অঙকপদি কপ্পদা পি তাদনা কপ্পগী ৱারীসি মনুং হঞ্জিন্না পারবদি পারিবা ঐসু পি তাদুনা কপ্পকপসু য়াই, কিবদগী চেনাদু খুমজিনখিবসু য়াই। অমুক হন্না ফাক্তোক্লরোই খনখি। য়াম্নসু কিখি। অদুবু মিৎসিদা শক্তম অমদি উদুনতা লৈহৌরে। নাতোনসিদা মনম অমসু কোকউ য়াদনা লৈহৌরে। পুৱারীগী লমায়শিং ফাক্তোক্লুবদা থেংনবা খ্বাইদগী নমথিবা মনমসি মীহিং মনমনি অদুগা খ্বাইদগী য়েংহৈদবসু মরোল-মরোল, মপৈ-মপৈ পৈদুনা লৈবা মীগী অশিবা হকচাংশিংনি। উরুবা শক্তম খরা, তারুবা মনম খরদুগী শম্লপ্পা ৱারীনি লীজরিবসি।

ঈকং থোকপা অমদি চাক তাংবা অনীসি পূন্না থোক্নল্লি। ঈকং থোকপদগী মহৈ-মরোং লোক্তবনা চাক তাংবা মশানা থোকচরকই। সুনামি, ঈশিং-ঈচাও, নোংলৈ-নুংশিৎ, সাইক্লোন তোর্নান্দো পুম্নমকশিং অসিদি ঈকং থোকপা অমদি চাক তাংবগা য়েংনরুরবদি থোইদোক্না তমথিবা ওইনা উরক্তে। ঈশিং ঈচাউনা মতম খরা কুইনা মাগী তমথিবা মতৌ উৎলবসু অতৈ লেমহৌরিবশিংদি মীকুপ খরগী মনুংদা অমাং-অতা থোকহনবা অচৌবা বোম পোকখায়বগুম্বনি। মীকুপ্তা মাঙ তাকহল্লি। ঈকং অমদি চাক তাংবদি য়াম্না তমথিবা ভাইরসনা হকচাংদা চঙখিবগুম্বনি। তপ্পা-তপ্পা, লেন্ন- লন্নদুনা, চাং ওন্দুনা থৱায় পানবা পূম্ববু শুমদুনা হাৎলি। দাইরিয়া তৌদুনা দিহাইদ্রেসন থোকপদগী মী শিরিবনি। অমরোমদা ঈকং থোকপদগী চহী চুপ্পা চিঞ্জাক ৱাৎপদগী মেলন্যুত্রিসন অমদি দিহাইদ্রেসনগা লোয়ননা হিংবা হায়বসি অকিবগী মশক্লি। মশীং খঙদবা লায়না কয়াগী হৌরকফম ওইরকই অমদি মমৈথংদা য়াম্না ৱানা কংদুনা শিবা হায়বদুমক থোকই। মসিমক মীদদা নত্তনা শা-ঙাদসুনি।

মালেমগী মফম পূম্বদা চহীচা (সেঞ্চুরি) অমদা থোকখিবা অপূনবা য়ুহার হাবদা শিখিবা মীশিংদগী কুমজা ১৯৫৮ দগী ১৯৬১ ফাওবদা চিনাদা থোকখিবা চাক তাংবদা শিখিবা মীশিংনা শাথিনা হেল্লি। চাইনিজ লৈঙাক্কী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ঈকং অদুদা শিখিবা অপূনবা মীশিংসি মিল্লিয়ন ৪৩ নি। মসি হৌজিক হৌজিক্কী ওইরিবা কনাদাগী অপূনবা মীশিংদগীসু হেল্লি। 'গ্রেট ফেমিন্স' হায়রগা খঙনবা তমথিরবা থৌদোক্তু করিগুম্বা কনাদাদা থোক্লম্বা তারবদি কনাদা করি ওইরমগনি?

চাক তাংবা নৎত্রগা ঈকং থোকপা হায়বসি মুন্না খল্লুরবদি ন্যুক্লিয়র বোমদগীসু হেন্না তমথি। হিরোশিমা নাগাসকিদা ন্যুক্লিয়র বোম পোকখায়খ্রবা মতুং মতম কুইনা মফমশিংদু খুন্দা লৈতাবা য়াদবতা নত্তনা নক্লবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিং অমদি মতুংদা পোক্লকপা অঙাংশিংবু তমথিনা শোয়নাইহন্দুনা মাগী মতিক ময়াই মালেম পূম্বনা খঙনখি। অদুবু মালেমদা ঙসি ফাওবদা থোকখ্রিবা চাক তাংবা নৎত্রগা ঈকংদা শিখিবা মীগী মশিংসিদি তশেংনা ৱাখলনা শাজিনবদা ফাওবা অঙকপা অমনি। অমরোমদনা ন্যুক্লিয়র বোমদি য়ানবা অমগী মখাদা অথিংবা থম্নরি। অতোপ্পা উপাইশিংসু থিনরি। অমুকসু জপান্দা ন্যুক্লিয়র বোম থাদরুবা অমেরিকাবু মালেম পূম্বনা নিন্দা তৌনখি, মতুংদসু তৌফম থোকই। তশেংনা মসি তাইনফম লৈবা অচুম অরান খন্নবা য়াবা অমসু ওই। অদুবু ঈকং অমদি চাক তাংবদি তাইনফম লৈতবা থৌদোক্নি হায়বা য়াই। ঙসি ঙসিমক থোক্লিবা চাক তাংবশিংবু মীওইবা ফুরুপনা মহৌশা লাইরেম্বীগী মরল ওইরিবা উমং-ৱামং, চীং-পাৎ, তুরেলদা শিংনরুবা, অচৌবা তুরেলশিংদা দাম থিঙ্গৎতুনা শারিবা হায়দ্রো পৱার প্রোজেক্টশিংনা অকোয়বগী খলদা শাথিনা কায়থহনবা কয়াননি হায়রি। তশেংবসু ওইফম থোকই। গ্রিন হাওস গ্যাসশিংগী হৌরকফম ওইরিবা অচৌ অচৌবা কল-কারখানাশিংনা ওজোন লায়রগী খলদা চাওনা অকায়বা পীবদগী গ্লোবেল ৱার্মিংগী ইস্যু লাক্লিবনি। মসিদি মালেম পূম্বনা য়ানরবা ৱাফমনি অদুবু নীংশিংবা য়াবদি, 'গ্রেদ য়ুরোপিয়ন ফেমিন' হায়রগা খঙনবা ঙসি ফাওবদা য়ুরোপ মহাদেশতা থোকখিবা চাক তাংবা ময়ামদগী খ্বাইদগী তমথিবা ওইরিবা মীওই মিল্লিয়ন ৭.৫ শিহনখিবা চাক তাংবসি কুমজা ১৩১৫-১৩১৭ দা থোকখিবনি। হায়রিবা ১৩ শুবা চহীচাগী মতমদুমক্তি মীওইবনা চাওখৎলকপগী মীংদা অকোয়বগী খলবু অদুক হাক্না মাঙহন-তাকহনবা মতম ওইদ্রিবরা খঞ্জে। অমরোমদনা হায়রিবা চাক তাংবসি নোং শুকচু চুদবদগী থোকখিবা নেচরেল দিজাষ্টর অমনি। মতমদুদসু অদুগা ঙসি ঙসিমকসু অয়াম্বা ঈকং নৎত্রগা চাক তাংবসি ঈশ্বরনা শাউবদগী থোকপনি, শাপ অমনি হায়বসিসু অদুমক মতম মতমগী ওইনা থাজনদুনা লাক্লিবনি। ওর্থোদোক্স ওইরবসু মসি



*বেঙ্গলদা থোকখিবা 'বেঙ্গল ফেমিন ১৭৭০' হায়রগা খঙনবা তমথিরবা চাক তাংবগী থৌদোক্তা ওইখিবা মীওইশিংগী ফীভম*

খন্থনিঙাই ওইহল্লি। তশেংবদি মালেমদা থোকখিবা চাক তাংবা অয়াম্বসি লমদমশিংদুগী লৈঙাকলোনগী অশোয়বা থৌশিল (পোলিসি পোর) ননি। মহৌশানা নোং চুদবদগী থোকপা চাক তাংবদগী খূৎশেমগী ওইবা (অশোয়বা থৌশিল) চাক তাংবনা মশীং হেল্লি। খুদম ওইনা দিসেম্বর ১২, ১৯৩৯ দা থোকখিবা (মণিপুরগী) নুপী লালসিমক ঈকংগা মরী লৈনদবা চাক তাংবগী থৌদোক অমনি। মতমদুগী বৃটিশ লৈঙাক্না মণিপুরগী পুথোকচরিবা ফৌশিংবু রাইস মিল হৌদোক্তুনা চেং তকথোক্লগা মপান্দা ঙম্নমক থাদোকখিবা অরানবা থৌশিলদগী থোকখিবা খূৎশেমগী চাক তাংবনি। অদুগা কুমজা ১৭৭০ দা বেঙ্গোলদা থোকখিবা তমথিরবা চাক তাংবগী থৌদোকসু বৃটিশ ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পেনিগী করাম চাওবা থৌশিলদগী থোকখিবনি। 'বেঙ্গল ফেমিন ১৭৭০' হায়রগা খঙনবা চাক তাংবদুদা অপূনবা বেঙ্গলগী মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমরোম তুম্না শিখি। মদু তমথিরবা চহী মঙা চুপ্না চৎখিবা মীওৎ মীনৈগী থৌশিলনি। মীওই মিল্লিয়ন ১৫ শিখিবা য়েংহৈদবা শক্তম্না থনখিবা খূৎশেমগী চাক তাংবনি।

কুমজা ১৯৩২-১৯৩৩ ফাওবদা থোকখিবা 'সোভিয়েট ফেমিন' দি তশেংনা নোং চুদবনা য়ুক্রেন, সাইবেরিয়ানচিংবা অতোপ্পা মরু ওইবা মহৈ মরোং পুথোকপা মফমশিংদা ঈকং থোকপদগী ওইখিবনি। মীওই মিল্লিয়ন তরা হেন্না শিখিবা থৌদোক্তুবু 'হোলোদোমোর' (হঙ্গ্রি মাস দেথ) হায়না রসিয়নশিংনা ঙসি ফাওবা নীংশিংলিবনি।

তশেংবসু ঈকংগী অৱাবসি অঙকপনি। অরাম খৌরাংবনা অপোকপা মচা ফাওবা ঈ চুপ্পুনা হাৎপা য়াওখি হায়। মতম শাংনা চাবা থকপা ফংলক্তবনা কংলবা হকচাংশিং ওইরকই। মচা-মশু, মমা-মপা, ইমুং-মনুং অমমমতা ওইনা মথং মথং শিরকপনা অরোইবদা লৈকায়, খুঙ্গং তুম্না শিরকই। অমনা শিবদা অমনা কপ্পা মীওইবগী মচৎনি অদুবু কংলবা হকচাং, কেন্নবা পুন্সিশিংদুনা কপ্পদু পি তাখিদে হায়।

ঙসিগী মণিপুরগী থৌশিল হৈরবা লৈঙাক মতাসিদা করিগুম্বা চহী অনী নোং চুদ্রবদি করি থোক্কনি? কম্যুনিতি হোলনা লুম্বরা? খুল পুখ্রিনা ময়াংই, ঈথৈ লৌখোংনা মরুম্বরা? পঞ্জাব-বিহারদগী লৈরুবনা ময়াংই। পি দি এস ফুদ সেক্যুরিটিনচিংবা চিঞ্জাক্তা পোলিটিক্স তৌবসি মহৌশা লাইরেম্বী ইমানা হরাউনা য়েংলমগনি থাজদে অদুবু শাউদুনা, শাপ তৌবদগী চাক তাংবা নৎত্রগা ঈকং থোকপদি থোকহনবীদবা ওইসনু, ঐখোয়গী মীশিংসু লায়রৈ।